নম্বাশিংগী অখন্নবা ফাখল : - নম্বা ফাল

লন্নাই ৱাখল্লোন হায়বসিনা খঙবা অমসুং খঙদবা অনীগী মরক্তা লৈবা খেন্নি - প্লেটো

# ফিরোইগী বুকিং কাউন্টর ওন্নরল্লে

কোভিদ লাইচৎশিনা মৈত্রবাকসিদা অফবা খরদি পীরমদে হায়বমক্তি য়ারোই। মখোয়শিংসিগী মরক্তা শ্রর্ধা কর্ম্ম অসি ভেক কৎলগা অয়ুক্তা লোইশিনবসিমদি য়াম্না ফৈ। মসিনা থৌবুদা পোৎলুম হন্থহনবতা নত্তনা লাকপীরিবা ভাবোকশিংদসু অরেম্বদা মতম মাঙহন্দ্রে, লাইগী থৌরমসু অদুম পাঙথোক্লে। ময়াম্নবু য়ানরবদি চৎনবি ওল্লে, অয়ুক্তা শোরাৎ শোনবা চৎনরে।

ওফিসতা থবক মতম শাংনা তৌমিন্নরম্বা তোল্লমুবিগী মমাগী শ্রর্ধা চৎলি। মতম অমদা পুন্না থবক তৌমিন্নরম্বা হৌজিক্তি উনদ্রবা ময়াম অমা মথং-মথং য়ৌরক্লে। তোল্লমুবি মবুক-মপাও ফবা, মী খন্দনা তিন্নবা য়াবা মীদা ওইবনা, পিক্তক তৌবা মাগী শুমাংদু ভাবোক্লা পিকথল্লি। লাকপীরিবা ময়ামদা অহেনবা চাদিং হেন্না তৌহন্নিংদবগীরা খংদে হরি সঙ্কির্ত্তন পাঙথোকপফম মন্দপকি অকোইবদা অকক্লবা কৌনাগী ফক মচা খরতমক থাবনা ভাবোক ওইজনি লাকচবা খরদা নিংবা কায়হল্লবসু ভাবোক মমায় তানিংবশিংদদি



শেলগী পোৎলুম খরদংদা ওইরসু হন্থহল্লি। মসিসু ফৈ, চৎনবি ওন্থোকপা য়ানিসু খল্লি।

ভেক কৎপা লোয়রগা হরি সঙ্কির্ত্তন মখা চৎথরকই। ক্যুদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, মরি-মতা, নুপী-অঙাংশিং শেল পংথাদা থানৈ। শেল থাবা য়াবা-য়াদবা মতাংকা খন্নদ্রে, মেন শাগৎলিঙৈদফাও হোৎচন্নরে। খোইরম-খাজংবগী চৎনবি ইন্নদ্রে, মানা-মানা থোকপা তৌনরে। দনদবোৎ তৌনরম্বা, খুরু খুদুক কুন্দুনা খোইরম্বগী মহুৎতা লোংউপ তানবদৌনা হাইফেৎ কুন্থরগা নমষ্টে তৌবসি চৎনবি ওল্লে। পালা, পুং-য়ৈবা, মোইবুং খোংবশিং নাম শোনফমকা খংপোৎতে, শেল থাবশিং ওকপদা। মসিসু ঙসিদি হরি সঙ্কির্ত্তনগী মচৎ অমা ওইরে।

তোল্লমুবিসু থোক-মোক কয়াদি পামজদবা মীতানি। অদুবু মাবু হেক পোকপীবা মমাগী শ্রর্ধাদা তজোপ-তজোপ তৌই ঙাঙনখিনি খনবদগী, অরাং-ফম্না হায়বা, মরি-মতানা তৌসি হায়বা লোয়না তৌরে। শৈজাগী পোৎলমসু ফজরে, ফমশক নুংঙাইতে হায়দুনা মোইবুং খোংব, পুংয়ৈবা থারগা পুন্না পালা নিপাল লেপ্লে। মমাগী শ্রর্ধাদা সন্দেশা তৌদনা খ্রেচিনা লোইশিল্লি হায়নখিনি খনবদগী পেকেত্তা মখল তরেৎকী সন্দেশা হাল্লগা দখিনা লুপা ১০ না য়ারবদুদা মীনা লোয়না তৌনরে হায়দুনা চন্নফম লৈতবা ইষ্টিলগী প্লেট অমসু হাপ্লে। কর্ম্মসি পক্লোপ নোপ্পা ওইদ্রে।

পোৎয়েং পীবদা তাঙ্গা য়াওরবসু য়াওদ্রবসু থোইদোক্ত্রে, তৌবতবু পিরিবসি চামঙা চৎপি অনীনি, অহুমনি, মরিনি ... হায়ইফেতং য়েংবদা খঙননবা শেল মচিন্দু মানহন্দনা পীশিনবসিসু চৎনবি ওল্লে। তৌবগীদি পৈশা হায়বা লাইরেনবীসিগী শক্লোনসি অঙকপনি। পীরমদাইদসু লৌরমদাইদসু হঞ্জিন-হঞ্জিন থিনৈ। অদুবু পীরিবদুনা থিবগা লৌরিবদুনা থিবগা শেল থিবগী মরম খেৎনৈ। পীরিবদুনা হেঞ্জিনখিগদ্রা হায়না থিবা, লৌরিবদুনা ৱাৎলমগদ্রা হায়না থিবা। চৎনবি খুৎদুং-ইন, ঐসু চামঙা চৎপি মরিদু ফিবান মান্নহন্দনা লা-মচেৎ অমদা হাপ্লগা জোয়-জোয় হায়রগা নোন্থদুনা পোৎয়েংদু পীশিল্লি। মাসু হায়ফেৎ ঙকচাননা য়েংলগা মখুৎ তিংথোক্লকই।

ফমফমদা হঞ্জিন্দুনা হেক ফমথবগা মরুপ মোধুনা, ‘বোনধুনা, পোৎয়েং পীরিবা মীশক্তু ওন্নরেনে, মনাওনীপা তোল্লপিশক্তা ওইনা পীরেনে।’ ঐনা, ‘হেরা বোনধু, ঐনা পীরিদুবু তোল্লমুবি নৎত্রনে?’ মোধুনা, ‘নত্তে, নত্তে, তোল্লমুবিগা মশক চপ মান্নবনি, ফাইবোক্লি। খুজিন খুনাম্থোক্তগী মৌ অনীদুফাও মাগী-মাগী নুপা চিনফা পুদবগী, মতৈ উরগা মকোক খুম্মী খুমদে হায়বগী ৱাথোক ওইনবদুদগীনিদনা ঐখোয় তোল্লমুবিনা নাতোন শুমাংগী কোইতেক খাকখ্রিসে।’ ঐনা শোন্তক্লা, ‘মখোয় লোয়না মরুসু কোক্লে, মাস্কসু উপ্লবনিনা কদায়দগী শক্তাক কোইদুদি উরনি।’

ঙসিসি দাও য়ারোই খল্লিনে, তুম হৌগৎলকপদা নাতোন অনীমক হোরো-হোরো হোইনে। ফরেদা লুপা লীশিং অনীগী ফিরোইগী এদভান্স বুকিং কাউন্টর ওন্নরল্লেদনা।

*আর কে নরেন্দ্র*

# ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকপগা লোয়ননা মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা তুংগী মীরোলশিংগী পোরম য়াৎলমসি

## নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*মুতুম মণিকান্তা, নহা ওইরিবা ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট*




শেন্বিবা তাইবঙ মপুনা মচা ওইবা তাইবঙ মীওইবা খুদিংমকপু য়াম্না নুংশিনা শেন্বিবগা লোয়ননা ৱাখল-লৌশিং অমদি হীংবা ঙম্নবা থৌনা পীবিরকপগা লোয়ননা পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই খুদিংমক্তা শাগোন্নদুনা ঙাকপী শেনবিরি। মসিগী মথক্তা অচান মীরাই নাইদনা মচা ওইবা খুদিংমকপু নুংশিবিদুনা মীওইবা ঐখোয়না হীংবা ঙমজনবা মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎথাংদা পুম্নমক পীবিরি। মহাক্কী মমল নাইদ্রবা খুদোল অসিগীদমক্তা শেন্বিবা মপুগী করিসু তৌবা ঙমজদ্রবসু হিংলিঙৈ পুন্সি মতেক অসিদা অঙম্বা ওইনা মহাক্লা য়াম্না নুংশিনা শেন্বিরকখিবা মীওইবগী য়াইফহৌগদবা থবক খরদং ওইরবসু তৌরম্বা পাম্বা মালেম অসিদা মীওই কয়া লৈরি। মীওই অদু অহল ওইবা য়াই, মীয়াই চল্লবা মী ওইবা য়াই অমদি য়াম্না নহা ওইরিবা মীওইসু ওইবা য়াই। মসিগী ৱাখল্লোলদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা অৱাবা ময়োক্লহৌদনবা মহৌশাগী খলবু কায়দনবা হোৎনবা মীওই কয়া লৈরি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা য়াম্না নহা ওইরিবা মশাগী চহী ২৬ লোমতা ঙাইরিবা মুতুম মণিকান্তসু অমনি।

মুতুম মণিকান্তনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৯দা মণিপুরগী তম্পাক অমদি চীংগী লমশিং শিনবা থুংনা নো টু দ্রগস অমদি ষ্টোপ মোভ লিঞ্চিং হায়বা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা উ চারা পান্বীশিং থাদুনা খোঙনা চৎখি। লোয়ননা কুমজা ২০২১গী সেপ্টেম্বর ১০দগী নবেম্বর ১০ ফাওবা ইম্ফালদগী আসাম ফাওবা চৎখি। হৌজিক ফাওবদা খোঙনা চৎপা খোঙচৎকী মনুংচন্না উ চারা পান্বী লিশিং অমা হেন্না থাখ্রে। মদুগী মনুংদা হৌজিক উ ৬৫০ লোম হেন্না হিংহনবা ঙল্লে। লোয়ননা থাখ্রিবা উ চারা পান্বীশিং অদু হিংলিব্রা নৎত্রগা শিখ্রবরা হায়বা য়েংনবগী খোঙচৎ অমসু চৎলি। খোঙচৎ অসিদা হিংনা থেংনরকপা উ চারা পান্বীশিং অদুবু উজাউ ওইবা ঙম্নবা হোৎনবিরম্বা অমদি শিরবা উ চারাশিং অদুনা মদুগী মহুৎতা অতোপ্পা উ চারাশিং অমুক থাজিল্লি।



মুতুম মণিকান্তা লিলোং চজিং করামদা লৈবা মুতুম গোনেন অমদি লৈখিদ্রবী মুতুম শান্তিগী মচানুপানি। মহাক্কী অনীশুবা মমাগী মমিংনা মুতুম রোমিলা কৌই। মহাক্কী মচিন মনাওনা নুপী অহুম অমদি নুপা অনীনি। কোভিদ-১৯ মনুংদা মহাক্লা পোকমিন্নবা মচে অমা কেন্সরনা মরম ওইদুনা লৈখিদে। অদুবু খোঙচৎ মনুংদা লৈবা মরম্না মহাক্কী মচেগী লৈখিদবগী থৌরমশিং ফাওবদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাক হৌজিক-হৌজিক গ্রেজ্যুএসন তৌরি। মণিকান্তানা অসিগুম্বা মহৌশাগী খল কন্নবগী অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী এৱ্যারনেস পীবা ওইনা মণিপুগী চীং অমদি তমগী লমশিং অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা ফজরবা পাউজেলশিং পুদুনা খোংনা চৎতুনা চৎলিবা খোঙচৎ অসি লমদম অসিদা মহৌশাগী খল কায়থরল্লিবা অমদি লমদম অসিগী তুংগী মীরোলশিং ওইহৌগদৌরিবা ইনখৎলল্লিবা নহাশিং অয়াম্বনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোম্নুংদা লুপ্তুনা লৈরিবা অসিদগী মহাক্কী এৱ্যারনেসকা লোয়ননা পাউজেল পুবা খোংনা চৎপা খোংচৎ অসিদগী করিগুম্বা খরদং ওইরবসু অহোংবা লাক্কদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোলদা হোৎনরিবনি। কুমজা ২০১৯দা মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী লম শিনবা থুংনা চৎখিবা মতমদা চাওরাক্লা নুমীৎ ৩৫ রোম চঙখি। লোয়ননা মণিপুরদগীনা আসাম ফাওবা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদনা উ চারা পান্বীশিং থারগা চৎপনা মরম ওইদুনা থা অনী চঙখি।

খোঙনা নুমীৎ ৩৫নি অমদি থা অনী চঙনা চৎপা খোঙচৎশিংদা অৱা-নুংঙাই কয়াসু থেংনখি। করি-করিগুম্বা মতমদা অঙৈং-অশা খুদক-খুদক্কী ওইনা অহোংবা লাকপা মরম্না অৱাবা কয়াসু মায়োক্লখি। অদুবু পান্দম অমগা লোয়ননা চৎলিবা খোঙচৎ অমা ওইবনা ৱান মেন আর্মি অমা ওইনা খোঙচৎ অদুদা থেংনখিবা অৱা-নুংঙাই পুম্নমক নীংহন্নবা লৈতনা মায়োক্লখি। চীঙগী লমশিংদদি হোটেল লৈতবনা চীংলৈবাক ফাওবা চাদুনা অহীং লেল্লকখিবা য়াওখি। খোঙগী খোঙচৎ অদু য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইখি। অদুগা য়াম্না নুংঙাইবা হায়রগনা খোঙনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা থুংলু-থুংলুবা মফমশিংগী মীওইশিংনা য়াম্না হরাউ তয়াম্না ওকপিখিবা অদুনা অৱাবা পুম্নমক কাউখিবগা লোয়ননা হেন্না থৌনা হাপ্পিবা অমদি পুক্কিং থৌগৎপীবা হায়বদু ওইখি। য়াম্না নুংঙাইবা অমনা খোঙচৎ অদুদা থারম্বা উ চারা পান্বী ১০০০ হেন্না থারম্বা অদু অমুক হন্না ভিজিট চৎতুনা য়েংলুবদা উ চারা পান্বী ৬৫০ হেন্না হিংলম্বা থেংনরকপদা অমুক্তা হেন্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইখি। মখা তারকপা ওইনা হকচাং খরা খজিক হেক নুংঙাইরকপা মতমদা দেল্লিদগীনা ইম্ফাল ফাওবগী খোঙচৎ অমসু চৎনবা হোৎনগে হায়না থৌরাংলি হায়নসু মুতুম মণিকান্তনা ফোঙদোরকখি।

মণিকান্তগী তুংগী মখা তারকপা পুন্সিদসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লুপ্তুনা লৈরিবা নহাশিং অমদি লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্লা লৈবা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়ননা কায়থরল্লিবা মহৌশাগী খল অসিবু কনবা ঙম্নবগী কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবগী চপচাবা ফীরেপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌখিগনি হায়রি। মহাক্লা হোৎনজখিবা অদুবু শকখঙবিরদুনা কুমজা ২০২১দা ৱি ফোর য়ু ফাওন্দেসনা মণিপুর মৈতৈ নোংশা এৱার্দ খুৎশিন্নবিখ্রে। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লমদম অসিগী ওর্গনাইজেসন কয়ানা মতেং পাংবিরকপগা লোয়ননা এৱার্দ কয়াসু পীবিরকখ্রে। চৎলিবা থা মে ১৪দসু নেসনল এপ্রিসিএসন এৱার্দসু ফংলগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লমদম অসিগী মীরোলশিং ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোক্লা লৈনবা অমদি মহৌশাগী খল কলহৌনবা এৱ্যারনেস পীবগী চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা সোসল মীদিয়াগী থোংদা পুক্নিং হন্থবা য়াবা কম্মেন্ট কয়া পীরকপা অসিনা করি-করিগুম্বা মতমদা পুক্নিং-ৱাখল নুংঙাইতবা হেক-হেক য়াওরকই। অদুবু ঐনা চৎক্কদৌরিবা লম্বী অসি মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবনি হায়না খল্লগা পুক্নিংবু ফাথজদুনা খোঙচৎ অসি মখা তানা চৎনবা হোৎনজে। ঐহাক ইশামক হার্ট পেসেন্ট অমা ওইবা মরম্না য়ুমগী অহল-লমনশিংনা অসিগুম্বা খোঙচৎ অসি চৎনবা হোৎবদা লৈকায়গী মীওইশিংনা ফাওবা অৱাবা তারগদ্রা হায়না মীপায়বদগী খোঙচৎ অসি চত্তনবা কয়া হায়বিরকখিবা লৈখ্রে। অদুবু অপোকপা-অপোকপী, লাংথবালগী এম এল এ করাম শ্যাম অমদি লৈবাক মীয়াম্না পুন্না চাওরবা মতেং কয়া পাংবিদগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অসি চৎপা ঙমখিবনি অমদি মখা তানা চৎলক্কদৌরিবা খোঙচৎশিংদসু অদুমক মতেং শোয়দনা পাংবিরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ডা. খাইদেম অথৌবা

# থৌবাল মোইজিংগী মীয়ামদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহনবীয়ু : ঝুলা

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থৌবাল মোইজিং হায়রিবা খুল অসি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী শুপ্প তংগী কিলোমিটর ৩ লোমতমক লাপ্না লৈবা খুল অমনি। অদুবু মোইজিং হায়রিবা খুল অসিদা মতম কুইনদগী থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহনবীগনি হায়দুনা ৱাটর সপ্লাইগী পাইপ কয়া ফুমজিনখ্রবসু খুল অসিগী মীয়াম্না ঙসি ফাওবদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংবা লৈত্রি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা থৌবাল মোইজিংগী মীয়ামদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহনবীয়ু হায়না থৌবাল মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৫/১১গী ৱার্দ মেম্বর ঝুলানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি থৌবাল মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী মোইজিং কাংজৈবুং খোংনাং মখোঙদা লৈবা পঞ্চায়ট ঘরদা মোইজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ৱার্দ মেম্বরশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱার্দ মেম্বর ঝুলানা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মীয়াম্না থক্নবা অফবা ঈশিং ফংহনবীয়ু হায়দুনা লোকল এম এল এ অমদি মরী লৈনবশিংদা কয়ারক হায়জখিবসু লৈখ্রে। পাইপ ফুম্বা হৌরকপদা থক্নবা অফবা ঈশিং ফংলগনি হায়না হরাউনখিবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবা অসি খুল অসিগী মীয়ামগী অৱাববু থওইবীদবনি। মসিদা নৎতনা খুল অসিদা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমদি ভেটিরিনরি ওফিস লৈতবনসু খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দিসএবিলিটিগী আই দি শাবগী থৌরম

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা লৈরিবা দিসএবিলিটিশিংগী য়াইফনবগীদমক্তা সোসল ৱেলফেয়ের দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা দিষ্ট্রিক্ট-দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা শিল্লিবা য়ুনিট দিসএবিলিটিগী আই দি শাবগী থৌরম অসিদা মরী লৈনবা পুম্নমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়না এস পি দি পি ওগী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম দি য়ুনুশ খাননা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ট্রান্সফর তৌখ্রবা দি ওনা চার্জ পীয়ু য়াদ্রে

ইম্ফাল, মে ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী অন্দর সেক্রেটরি টি এস টিমোটিনা হৌখিবা মে ৯দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হেদ ওফিসতা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর ওইরিবী ওক্রম বিদ্যালক্ষ্মীনা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরক্লবা দি ও এম নবচন্দ্রদা ফোর্মেল চার্জ পীয়ু য়াদবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা দি ও অনীগী মরক্তা মুক্লবা অমা থোক্লে।

হান্না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী হেদ ওফিসতা দেপ্যুটি দিরেক্টর ইন-চার্জ ওইনা থৌ পুরম্বা এম নবচন্দ্রনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবালদা জোইনিং রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা ফোর্মেল ওইনা হান্নগী দি ওগা ঙরাং অসি চার্জ লৌননবা হায়নবদা হান্নগী দি ওনা মরোল অমত্তা পীরক্তুনা লাকখিদবনি।

অমরোমদা, এম নবচন্দ্র অসি দিরেক্টর হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন হোনি চারানা হৌখিবা মে ১০দা থোকখিবা ওর্দর অমনা হেদ ওফিসতগী রিলিজ তৌরকখ্রবনি।

পনবা য়াই, হৌখিবা মে ৪দা দিষ্ট্রিক্ট হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মখাদা লৈবা মশরুম দিলভপমেন্ট য়ুনিটনা শীন্দুনা চেঙ্গুম থাবগী মতাংদা নুমিৎ ৫নি চখ্থগদবা ট্রেনিং কম দেমোন্সট্রেসন প্রোগ্রাম অমা হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোগ্রামগী হোষ্ট ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসরনা অয়ূক পুং ১০ দা হৌগদবা প্রোগ্রামদা পুং ১১দা লাকপগী ৱাহৌদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবালনা প্রোগ্রাম য়াওখিদবগী ৱাথোক অমসু লৈখ্রবনি। নুমিৎ অদুগী থৌরম অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন দিরেক্টোরেটকী এদিসনেল দিরেক্টর কে দেবদত্তসু শরুক য়াখিবনি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৫।২০২২ ইং, থাংজ; নুংথিল পুং ৩.২৩ ফাওবা কালেনগী ১৩ পাল্লি, মতুং ১৪নি পাল্লনি।

**মেষ:** থবক পাঙগনি, শেল-থুম ফংগনি, য়েৎনরম্বা লৈরসু ঙম্লনি, থৌনা লৈরদি লন হেন্না তানশিনবা ঙমজগনি। চিন শোয়রগা লন ময়েং তাগনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** লৌশিং চাওগনি, অচুম্বনা মায় পাক্কনি, অনৌবা অফবা আশাসু লাক্কনি, লোয়নবগী মতেং ফংজগনি। মীতোপ লোয়নবদি অরেম্বদা চাদিং তৌগনি, কিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** ইচং থৌবা, কিদবা অমদি মীয়াম লোয়নবনা চাওনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** ফরে খনবা থবক্তা খুৎচাও থাহৌরো, নীংহন্নগনু মাঙলোমদা চঙশিল্লু-থবক পাঙলগনি। অশাওবনা মাঙওইনরবা অমদি হন্থবা লোয়নরদি নুংশাথিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** নীংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি, অনৌবা আশা লাক্কনি, পোরম শিল্লাংবা হৈবনা অরুবা থবক পাঙগনি। য়েৎনবা/খৎনবা নংদনবা থিবা হুম্বা কল্লু, তনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কন্যা:** অচুম্বনা লাকচগনি, মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নগনি, ঙসিসু ইমুং মনুংগী ৱা-তাবা চাওনা কান্নগনি। মীতোপ্পদি নরল মৎপীনিংবা লৈ-পংথগনু/তন্থগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ইনুং নুংঙাইরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** শেন্দোং তানবদা মায় পাকপা, মীচং খোম্বা য়াবা, পাঙঙমদবা থবক পাঙবা নুমিৎনি। অদুবু ঐ মঙাইরে খন্না চৎলদি ইমুং মনুংদা ফাওবা ঈংবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** পুক্নিং ফাথনা ঈংনা লৈগদবা নুমিৎনি। ফিংবা/শাওবা য়ারোই, চিন কনগনু, য়েক্লবনা মরুপ কায়ননবা শিল্লক্কনি। নথক থোংবগী ৱা তাবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাংদনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**ধনু:** শেন্দোং ফংগনি, ৱাখল থোক্কনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, লেংদবা লন তানশিনবা ঙমগনি অমদি থিবা হুম্বা মহৈ য়ানগনি। মরুপ মপাংনা ৱারৌগনি-হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** নীংজবা থবক লায়না পাঙগনি, ললোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, নীংবা মপাসু চাগনি। মীনা ইনশিনবা লৌরদি/চিন কল্লদি মরুপ মপাং কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** খোইরাং খোইশাওবা অমদি থাজদনা নক্লবনা য়েৎপা লৈগনি-খাঙবা কল্লু। অদুবু পাঙবা হৌখ্রবা থবক্তদি নীংহন্নগনু, ইমুং মনুং লোয়নবা য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** মীনা থাগৎপীবা, অরং-অরাক ফংবা, নঙগী ওইবা মী লোয়নবনা শোয়দনা মায় পাকপা নুমিৎনি। তুংগী পোরম শিন্দোকপা হৈগনি। য়েৎনবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

লৌশিং পুক্কে

# মথৌ চিঞ্জবা অহলশিংগী

## ব্রেন মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্মী



মীওইবনা অয়াম্বা মতমদা মথৌ চিন্দুনতা লৈরবদি অহল ওইরক্লগা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী রিছার্চরশিংনা হায়খি, নুমীৎ চুপ্পা থবক অমত্তা তৌনিংঙাই লৈতবদগী ফমদুনা নৎত্রগা হীপ্তুনা লৈথোকপা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা মথৌ চিনবা মীওইশিং ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাংসু ৱাংই।

মরম অদুনা চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওই খুদিংমক থবক অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা মথৌ চিলহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী পোষ্ট দোক্টরেল রিছার্চর সারা ফেষ্টিনিনা ফোঙদোকখি।

মথৌ চিনবা হেল্লিবমখৈ ব্রেননা মপুং ফানা ফঙ্কসন তৌবা ঙম্বা মরম্না নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই হায়নসু রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

মথৌ চিনবা মীওইশিংদি নুমীৎ খুদিংগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া মায়োক্লবা মরম্না অনৌ-অনৌবা লৌশিং তানশিন্নবগী খুদোংচাবা ফংই। মশাগী চহী ৫০ অমসুং ৮৯ গী মনুংদা লৈবা মীওই ৩৩০ দা ষ্টদি অমা চখ্থরবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

‘ফ্রন্টিয়রস ওফ এজিং ন্যুরোসাইন্স’ জর্নেলদা ফোঙল-কখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, থবক অমা তৌবদা পাঙ্গলখক নৎতনা ব্রেনসু শীজিন্নৈ। ব্রেনদি শীজিন্নরিবমখৈ হেন্না হেন্না মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙল্লকই। মরম অদুনা মথৌ চিনবা মীওই খুদিংমক অহল ওইশিল্লক্লবসু মপুং ফানা ৱাখল খনবা ঙম্মী অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখিদে।

পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈরবদি পুন্সিদা থেংনরকপা খুদোংচাদবা অমদি শিংনবা পুম্নমক মপুং ফানা মায়োক্লবা ঙম্বগা লোয়ননা অৱাবা থৌদোক থেংনবদগী মতম খরা শোন্থরুরবসু অমুক হন্না হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা ঙম্মী। অদুবু হকচাং ফনা থম্নবগীদমক হকচাং শাজেল তৌবা মথৌ তাবগুম পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহন্নবগীদমক হোৎনবা অমা চঙই। পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈরবদি অৱাবা কোঙ্গায় থেংনরবসু থৌনা ফনা মায়োক্লবা ঙম্মী অমসুং নুংঙাইবা ৱাখল খনবা ঙম্মী।

পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা থম্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি ইশানা ইশাবু করি ওইনা খনবগে হায়বদুনি। ইশানা ইশাবু হন্থনা খক খঞ্জরোইদবনি, অতোপ্পা মীওইশিংগা অফবা মরী থম্নগদবনি অমসুং খুদোংথিবা মায়োক্লুরকপা মতমদা থৌনা লৈনা ৱাখল খনবা তমগদবনি। ফৎতবা, নুংঙাইতবা ৱাখল খন্দ্রে হায়দুনা পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফরে হায়বা খক য়ারোই। ৱাখল লায়না লৈতবা মীওই খুদিং পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফরে হায়না লৌবসু য়াদে।

পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈবা মীওইশিংদি পেন্থোকপা ঙম্মী, ফাগী-জুগাই তৌদুনা নোকপা ঙম্বগী থৌনা লৈ, পুন্সিদা অৱাবা থেংনরবসু থৌনা ফনা মায়োক্লবা ঙম্মী, ইশাগী ইথৌ মশক খঙই, ইশানা ইশাবু মরুওইবা মীশক ওইনা অমসুং পুন্সিবু মরেক-মহাউ থোক্লা হিংবা ঙম্নবা হোৎনৈ।

পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফবা মীওই খুদিংমক পুন্সিদা অৱাবা, নুংঙাইতবা ৱাখল অমত্তা ফাওরক্লোই হায়বা নৎতে। মতাং মতমগী মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক অৱাবা-নুংঙাইবা ৱাখল ফাওরকপা হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। অদুবু পূক্নিং ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈবা মীওইশিংদি ঙাইহাক অৱাবা ৱাখল খল্লুরবসু হিংদবা য়াদে খন্দুনা কাউথোক্লবা হোৎনৈ। মতৌ অসুম্না অৱাবা নুংঙাইতবা ৱাখল মরক্তগী নাম্থোক্তুনা পুন্সিগী অচুম্বা মায়কৈদা মায় ওনশিল্লকপা ঙম্বগী থৌওংবু রিসাইলেন্স কৌই। অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংনা পুন্সিদা থেংনরকপা অৱাবসু, নুংঙাইবসু থৌনা ফনা মায়োক্লবা ঙম্মী।

অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম অসি হকচাংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ হায়রি। হকচাং ফনা থম্বা হায়বসিনা ৱাখল নুংঙাইহন্নবগী অহানবা খোঙথাংনি। খুদম ওইনা হায়রবদা হকচাং ফহন্নবগীদমক চাং নাইনা শাজেল তৌবা মতমদা হার্ট অমসুং লংসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা এন্দোর্ফিন তৌবা কেমিকেল অমা থাদোরকপদগী ৱাখল নুংঙাইহল্লি অমসুং হকচাং কনখৎহল্লি। মরম অদুনা কনাগুম্বা মীওই অমগী চাকচা-য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিংগা মীওই অদুগী পূক্নিং-ৱাখল অমসুং হকচাংগা নক্লবা মরী লৈনৈ।

পূক্নিং-ৱাখলগী ফীভম ফনা লৈহন্নবগীদমক মপুং ফানা পোত্থাবা মথৌ তাই। হকচাং ফহন্নবগীদমক চাং নাইনা শাজেল তৌবা মথৌ তাবগুম মপুং ফানা পোত্থাবসু তঙাইফদে। হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক মথৌ নীংথিনা তৌহন্নবগীদমক নুমীদাং খুদিংগী পুং ৭/৮ মপুং ফানা তূমগদবনি।

পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহন্নবগীদমক্তদি হকচাং শাজেল তৌবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা থৌওং অমনি। নুমীৎ খুদিংগী চেন চোংদুনা হুমাং তাহনবমক নৎত্রবসু য়ারিবমখৈ হকচং লেঙ-ওৎপা থবক তৌগদবনি। খুদম ওইনা দোলান কাখৎপদা লিফ্ট নৎত্রগা এলিভেটর শীজিন্নবগী মহুৎ শিরি থাক্তা ওইনা কাখৎকদবনি।

ৱাখল নুংঙাইহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা অতৈ থৌরাংশিংদি মৈখু শীজিন্নদবা, য়ু থক্তবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা অমসুং ঙাইহাক ঙাইহাক মীরক তীন্দুনা অৱা-নুংঙাই ৱারী শানবা অসিনচিংবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে